# লৈঙাক্লা ইরাং লোইশিন্নবা হোৎনবা উদেঃয়ু পি এফ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮(এস এন এস)ঃ লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা লোইশিন্নবগী খোঙথাং লৌখৎপা উদে হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্টকী প্রসিদেন্ট এন রুপচন্দ্রনা ফোঙদোক্লখ্রে।

য়ু পি এফ শাফোংলকখিবা চহী ২৮শুরকপগী মপোক কুমওনগী থৌরম ঙসি কোনুং লম্পাক্তা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট এন রুপচন্দ্রনা মখা তানা হায়, চহী ৩ হেন্না তং দু লৈতাদনা লৈরক্লিবা অসিদা ইরাং অসিগী ৰারোইশিন অমদি ইং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা চপ চাবা খোঙথাং অমা লৈঙাক্লা লৌখৎপা উদে। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই দি পিশিং মশা মশাগী য়ুমদা হঞ্জিলহন্দুনা লৈরবা মতমদা অমদি মীতোপ খন্দোক্লবা মতুং দা সেন্সস পাঙথোকপীয়ু। মসি নত্তদুনা মখা তানা সেন্সস তৌনবগী খোঙথাং লৌখৎলকপদা লূপ অসিসু মীয়ামগা পুন্না সেন্সস থিংনবা শরুক য়াগনি। লূপ অসি আইদিয়া ওফ মণিপুরগী ৰাখল্লোনদা হিন্দুনা লাকপনি। তোঙান তোঙানবা চীংগী মফমশিংদা চত্তুনা চীংগী ইচিল ইনাওশিংগা ৰারী শান্নদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা অমত্তা ওইবগী ৰাখল্লোন শন্দোক্তুনা লাক্লি। লোয়ননা মপান লমদা চোইনা তাখ্রবা ইচিল ইনাওশিং তাশিন খোমজিন্দুনা মণিপুর ইমাগী মচা ঙাক্তনি হায়বগী ৰাখল্লোন শন্দোক্তুনা হৌজিকসু কেম্পেন চত্থরি হায়বা ৰাফমশিং ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট এন রুপচন্দ্র, কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী কনভেনর ৰাই কে খিরেন, ওল মণিপুর ৰার্কিং জ র্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)গী প্রসিদেন্ট অশেম ভক্ত, ইম্ফাল কোলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ পোলিটিকেল সাইন্সকী রিটয়র্দ হেদ কে সেথজিৎ অমদি য়ু পি এফকী এদভাইজর এল জাদুমনিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

# নেরেটিভ আর্ট ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮(এস এন এস)ঃ কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা লৈবা শ্রীশ্রী পাতিতা পাৱন নত্য মন্দিরনা শীন্দুনা ঙসি মন্দির অসিগী মান্দবতা ৭শুবা নেরেটিভ আর্ট ফেষ্টিভেল অমদি গুরু পুজাগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সঙ্গীত নাটক অকাদেমি এৱার্দি চিংথাম রঞ্জিৎ খুমননা চীফ গেষ্ট অমদি শ্রী শ্রী পাতিতা পাৱান নত্য মন্দিরগী প্রসিদেন্ট অরিবা সনায়াইমানা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মন্দির অসিগী প্রোজেক্ট দিরেক্তর বি জুগোলচন্দ্রনা থৌরমগী মতাংদা ৰাফম কয়া থল্লদুনা হৌগৎলক্লিবা মীরোলদা নেরেটিভ আর্টকী মনুং চল্লিবা আর্ট ফোর্মশিংবু খঙহন্নবগীদমক ফেষ্টিভেল অসি শীনবনি হায়খি। থৌরমগী মনুং চন্না ৰারী লীবা, লাইরিক হায়বা থিবা, ঝুলোন লীলা অমদি নুপী পালা ফমশক্লচিংবশিং থৌগল তৌখি।

# লমদম অসিগীদমক পাঙ্গল থৌনা ...

*লমায় ১গী মখা...*
অসিগী প্রসিদেন্ট লুক্রাম মালংবনা ফোঙদোকখ্রে।

৬১শুবা এমসুগী মপোক কুমওনগী থৌরমগা মরী লৈননা এমসুগী প্রসিদেন্ট লুক্রাম মালংবনা মখা তানা হায়, কুমজা ১৯৬৫তা থোকখিবা খূৎশেমগী চাক তাংবগী থৌদোক অদুদা লমদম অসিদা পুথোকপা পোত্থোকশিং ললোনবশিংনা মণিপুরগী মপান্দা পুথোকখিবদগী খূৎশেমগী ওইবা চাক তাংবগী থৌদোক থোকখি। মদুদা হৌনরুবা নাইদনা লমদম অসিগী মীয়ান্না মতম অদুদা পাল্লিবা লৈঙাক্কী মথক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিনবদা থৰায় কৎখিবা মহৈরোই ৪দা ইকায় খুন্নবা উত্তুনা ওগষ্ট ২৭তা চাক্লাম খোঙচৎকী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লবা মতুং মথংগী নুমিৎ ওগষ্ট ২৮ অসিদা মণিপুরগী মহৈরোইশিংনা হৌনরুবা নাইদনা মহৈরোইশিংগী মীহুৎ অমা লৈত্রগদি ঐখোয়না চঙশিল্লিবা মণিপুরগী ইসুশিংগী মতাং অমদি মহৈরোই খুন্নাইগীদমক তাবীনবা লৈরোই হায়বা মান্নবা ৰাখল্লোন অসিদগী মণিপুরগী লৈমায়দা এমসু শাফোঙলকখিবনি।

এমসুনা শাফোঙলকপদগী এমসুগী থৌমীশিংনা ঙসি ফাওবা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কন্নবা অমদি মহৈরোই খুন্নাই অসিদা য়াইফনবা মাঙলমচত্তগী হৌনা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মরম অসিনা হৌরক্লিবা ঐখোয়নসু তুংদা হৌরক্কদবা মহৈরোইশিংনসু এমসুগী অহল-লমনশিংনা তৌবীরম্বা থৌদাং কয়া নীংশিংসি। মহৈরোই খুন্নাইগীদমক অমদি অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এমসুগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম দিলিপ, মহৈরোই লূপ ৬কী কনভেনর হিজম রোসন, নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট থোকচোম রমনিলৈমা, অপুনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) গী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ঙানবী লৈমা, ওল মণিপুর তম্মী চীংমী অপুনবা নুপী লূপ (তম্মী চীংমী)গী প্রসিদেন্ট য়াম্নেম মোমোন লৈমা, অমকিলগী এদভাইজর খাঙেম্বম অনন্দি অমদি এমসুগী প্রসিদেন্ট লুক্রাম মালংবনা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। এমসুগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

# অহানবা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্ট রেকোর্দ দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮(এস এন এস)ঃ কষ্টম এন্দ ত্রেদিসনেল ওবজার্ভেসন কম্মিটি (কলচর দিফেন্স কাউন্সিল) (কেটোক /সি দি সি) না শীন্দুনা অহানবা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্ট রেকোর্দ দেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালদা লৈবা রুপ মহল থিয়েটরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কেটোক /সি দি সিগী চীফ এদভাইজর অমদি পেত্রোনসু ওইরিবা মঙ্গীসনানা হায়, মণিপুরনা বৃটিশ লোইলম শাসনদগী মনিং তম্লে হায়না কুমজা ১৯৪৭ ওগষ্টকী ১৪দা কংলাদা মণিপুরগী ফিরাল চিংখৎখ্রবা মতুং ওগষ্ট ২৮ ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মণিপুর পুন্সদা নীংতম্বগী পাউজেল চেনখি। মতম অমদা মণিপুরগী লম অসি য়ান্না পাক চাউরম্মী। মতম মতমগী পাল্লম্বা নীংথৌরোল কয়াগী ওইবা লৈবাক অসিগী ফিরাল মখল ১৭ লোমসু লৈরমখি। অদুবু মতমগী খোঙলৈগী মতুং ইন্না ঙসিদি ইরমদম মণিপুর শুপ্পতগী স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ওইরক্লি। অমদি মসিদা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি কায়বা য়ারোই হায়না লাউরি। ঙসিগী মীরোলদা পুৱারীগী শিংবুলশিংবু থিজিনবীনবা অমদি ঙসিগী অসিগুম্বা নুমিৎ কয়া পাঙথোকপা চঙই হায়না ফোঙদোকখি।

# জে এন এম দি এদা লাইরিক ২ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮(এস এন এস)ঃ ফাঞ্জৌবম ইবোতোন সিংহনা ইবা মণিপুর সংস্কৃতিগী খোমজিনবা ৰারেং অমসুং বসন্ত রাস অমসুং নৃতরাস হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনী হৌনবী মতুং ইন্না জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী হোলদা ফোঙখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ভাইস চেয়রমেন লোংজম জয়চন্দ্র, একাদেমি অসিমক্কী দিরেক্তর পুখ্রম্বম বিলাস অমদি সঙ্গিত নাটক একাদেমি এৱার্দি গুরু লাইপুবম বিনোনা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইরিক অসিগী অইবা ফাঞ্জৌবম ইবোতোননা হায়, ঐখোয়গী ইপু ইপুশিংগী হাক্তক্তগী চৎনরম্বা পুঙ ঈশৈ, রাসলীলা অমদি জগোয়গী থিওরিশিং অসি হান্না বাঙ্গালি ময়েক্তা ইদুনা থল্লম্বনা মরম ওইদুনা হৌজিক মতমগী মহৈরোইশিংনা পাবা থোক্তবগী খূদোংচাদবা মায়োক্লরি। মসি খরদং ওইরবসু কোকহনবা ঙন্নবগী পান্দমদা বঙ্গালি ময়েক্কী লাইরিকশিং অদু মৈতৈ ময়েক, রোমান ময়েকতা ইথোক্তুনা মহৈরোইশিংনা পাবদা নুংঙাইনবা লাইরিক অসি ফোঙবনি হায়খি।

# সেপ্টেম্বর ১ জেনরেল ষ্ট্রাইক, ৭তা রেল্লি...

*লমায় ১গী মখা...*
পাঙথোক্লবা মতুংদা ৰারেপশিং অসি লৌখিবনি।

ৰারেপ লাউথোকপা ওইনা পাঙথোকখিবা মীফমদা জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা হায়, মণিপুর মীয়ান্না এন আর সি অপদেট তৌরবা মতুং সেন্সস তৌবিনবা লাউরিবা খোল্লাও পুদুনা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দ, হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম য়াওনা এম এল এশিংদা দিল্লিদা চৎতুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিং উনরবা ফাওবা সেন্সস য়েথোক্লবগী চপ চাবা ৰাফম ফোঙদোক্তবগী মায়োক্তা জে এফ দি অমদি চৎমিন্নরিবা লুপশিংগী ঙসি নুংথিল ফমখিবা অপুনবা মীফন্না ফিরেপ লৌখিবনি।

মণিপুরগী মীয়াম অমদি জে এফ দিনা মণিপুরদা কুমজা ১৯৫১দা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোকখিবা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই। মীতোপশিং খন্দোক্লবা মতুংদা সেন্সস তৌগদবনি হায়বা দিমান্দদা মফম কয়াদা মীফম পাঙথোকপা, জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবা অমদি সেন্সস ট্রেনিং তৌবা থীংবগী খোঙজং ঙসি ফাওবা চঙশিন্দুনা লাক্লি। অসিগুম্বা ফিভম অসি খঙনা লৈঙাক্লা সেন্সস য়েথোক্লবা ইন্দিয়ান লৈঙাক্তা তকশিন্নবা হায়জবনি। লৈঙাক্কী ওইনা চীফ মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংনা দিল্লিদা চৎতুনা সেন্ত্রেল লিদরশিং উনরে হায়বগী ৰাফম লৈরি। অদুবু উনরবা ফাওবা সেন্সস য়েথোক্তুনা এন আর সি পাঙথোক্লবা ৰাফম অমত্তা ফোঙদোক্ত্রিবনা জে এফ দিনা চৎমিন্নরিবা লুপশিংগা তান্নরবা মতুং খোঙজং অসি লাউথোকপনি।

থা অসিগী ৩১গী অহিং নোংয়াইদগী সেপ্টেম্বর ১ ফাওবা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরবা মতুং লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২দগী সেপ্টেম্বর ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী মীফমদা হাউসনা মণিপুরদা এন আর সি ১৯৫১ অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস পাঙথোকহন্দনবা ৰারেপ লৌগদবনি। লোয়ননা সেপ্টেম্বর ৭তা মণিপুর মীয়ান্না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীফমদা মীয়ামগী অপান্বা দিমান্দ 'নো এন আর সি নো সেন্সস' কী খোল্লাও লাউদুনা মায়কৈ কয়াদগী মীয়ান্না এসেম্বলী হাউস তন্না থোমজিনগনি। করিগুম্বা হাউসনা মীয়ামগী অপান্বগী মতুং ইন্না ৰারেপ লৌদ্রবদি সেপ্টেম্বর ৭কী অহিং নোংয়াইদগী মণিপুর পূম্বা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি। অদুবু হাউসনা মীয়ামগী অপান্বগী মতুং ইন্না ৰারেপ লৌরবদি মদুবু থবক্তা ওন্থোক্লবা সেপ্টেম্বর ৮ অমদি ৯ ফাওবা পুং ৪৮ অসিগী মনুংদা লৈঙাক্লা থবক ওইনা ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিল্লুনবা মতম পীগনি। পুং ৪৮গী মনুংদা লৈঙাক্লা সেন্সস য়েথোক্লে হায়বগী ওর্দর মণিপুর মীয়ামদা উৎপা ঙমদ্রবদি সেপ্টেম্বর ১০দগী মখা তানা সেন্সস য়েথোক্ত্রিবা ফাওবা মণিপুর পূম্বা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি। অমরোমদা, 'নো এন আর সি নো সেন্সস' হায়বা লৈবাক মীয়ামগী দিমান্দগী পান্দম ফঙদ্রিবা ফাওবা লমদম অসিদা হরাও কুম্মৈ, ঈশৈ-নোংমাই, লীলা, সেনেমা, হাওসি, মেলানচিংবা অমত্তা পাঙথোকপীদনবসু মরী লৈনবশিংদা অপিল তৌরক্লি।

# মীহুৎশিংগী থৌওং মীয়ামদা তাৎ তৌবা...

*লমায় ১গী মখা...* দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি এন পি পি য়ুনিটগী নৌনা থৌ পুগদবশিং ওকপগী থৌরম অমদা ৰাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা খা তানা হায়, সেন্সস মমাঙদা এন আর সি হান্না তৌবা নৎত্রগনা তৌবা ঙমদবা হায়বসি সেন্টর অমদি ষ্টেটতা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি গী পোলিটিকেল ৰিলগী মখা পোল্লি। খুদম ওইনা হৌজিক ষ্টেট লৈঙাক অসিগী মহুৎ শীন্দুনা গভর্ণমেন্ট অসিগী এম এল এ মিনিষ্টর খরনা দিল্লিদা চত্তুনা সেন্ত্রেল লীদরশিংদা এন আর সি হান্না তৌবীনবা তকশিল্লি। অদুবু য়ান্না ঙক্লিবদি সেন্সস ওপরেসন পাঙথোক্লবা ত্রেনিংসু অদুম লেপ্তনা মফম কয়াদা চত্থরি। মীয়ামগী লীদরশিং অসিনা চপ চাবা ফিরেপ অমা লেপ্পা ঙমদবদগী চত্থরক্লিবা থৌওং অসি কদায় ফাওবা থাজনিঙাই ওই নৎত্রগনা ওইদে হায়বসি মীয়ামদসু চমন্নবা অমা ফাওহল্লে হায়খি।

মীয়ামগী লীদর হায়বসি য়ান্না লুই, মহাক্লা হায়বা ৰাহৈ হায়বসিনা অরোইবা ৰাখৈ হায়বদু ওইগদৌরিবনি। অদুবু লাইবক থিবদি মখোয়না তৌথোরক্লিবা থৌওংশিং অসিনদি মীয়ান্না মখোয়দা থাজবা থন্নবগী মচাক লৈতে। লৈঙাক হায়বসি কন্টিন্যুটিনি হায়রগসু অনৌবা লৈঙাক অমা লাকপা মতমদা মমাঙগী লৈঙাক অদুনা লৌরম্বা ৰারেপ, থবক থৌরমশিং রিভিয়ু তৌবা, নৌনা অমুক কেবিনেট দিসিজন লৌদুনা ইমিপ্লমেন্ট তৌবা হায়বসি অনৌবা গভর্ণমেন্ট অদুগী মথৌনি হায়খি।

# চিনগা খুৎকা মান্নবা লৈঙাক উহল্লু...

*লমায় ১গী মখা...*
লমহেন তুহেনবশিং অসুক শাংনা লাকশিন্দনা থল্লিবা অসি ঙসিগী টেরোরিষ্টকী থৌওং চত্থরিবা চিন কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংদা মতেং পাংনি হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা হায়না কোকোমিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, অসিগুম্বা থৌদোক অসি ঙাইহাক লৈতনা অদুমক থোকহনবা ঙল্লিবা অসি ষ্টেট অসিদা চিন কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিং লাকশিনবা ঙমদ্রে, চীংদা লো এন্দ ওর্দর কন্ত্রোল তৌদ্রে হায়বগী খুদমনি। হৌখিবা জুন থাদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লৈলোন ভাইফেগী খুলদা লিয়াংমাই মীচম ৬ ফারগা হাৎখিবা অমসুং লমকা খুলদা মীওই ২ হাৎখিবা থৌদোক অদুগী জষ্টিস ফংনবা অকনবা মওংদা দিমান্দ তৌরিঙৈ চৈরক্তা ঙরাংগী থৌদোক অসি থোকখিবনি। খুৎলায় পায়বা লমহেন তুহেনবশিং অসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লাকশিন্নবা হোৎনবগী থবক শুকপায় পায়খৎতনা চিন্দা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লে, শান্তি পামদবা মীওই খরা লৈবনা থৌদোকশিং অসি থোকপনি হায়না ফোঙদোক্তুনা অদুমক লৈবা অসি য়ান্না তাইওন্নবা, মরিল য়াওদবা লৈঙাক্লি হায়না কোকোমিনা লৌই। মীয়ান্না মতম শাংনা সুদা লৈরিবা অমদি সু তৌনদনা লৈরিবা নার্কো টেরোরিষ্টশিং লাকশিন্দ্রিমখৈ থৌদোকশিং অসিগী ৰারোইশিন লৈরোই হায়না লাওদুনা লাকপা খোল্লাল ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা তাশিন্নদনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা থবক্তমক লৌখৎতুনা লৈরিবসি মীচম কয়া থৰায় মাং লবকান্দা চপ চানা লৈঙাক্লা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং অদু লৌখৎকদৌরিব্রা। তনিং তমাং ওন্নবা লৈঙাক্কী থবক খুতৌ অসিনা কৈদৌনুংদা লমদম অসিদা ইং তপ্পা ফিভম হঞ্জিনবা ঙল্লোই।

সেন্তর অমসুং ষ্টেটকী দবল ইঞ্জিন লৈঙাক অসিনা পীকখ্রবা ষ্টেট অসিগী চীংগী শরুক খরা অসিদা লমহেন তুহেনবশিং লাকশিন্দনা অসুক শাংনা থল্লিবা অসিনা ঙসিদি টেরোরিষ্টকী থৌওং চত্থরিবা চিন কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিং অসিদা নাকোয়ননা মতেং পাংবনি হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা ষ্টেট অসিগী কা হেন্না শোকচিনখ্রবা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফগৎনবা লৈঙাক্লা নৌনা লৈশিনখিবা মিলিটরি ভেহিকলশিং তম্পাক লমদা খক্তং শিজিন্ননবা লৈখিব্রা অমদি চিন কুকি টেরোরিষ্টশিং লাকশিন্নবনি হায়দুনা লাকখিবা সিআরপিএফকী কোব্রাশিংগী মথৌনা করিনো। কা হেনবা থৌওংশিং অসি অদুমক লাকশিন্দনা থল্লগদি মীয়ামগী পেন্দবগী পনখৈ লাল্লকপা মীৎকুপতা মীয়াম লম্বীদা থোক্লক্তুনা লৈঙাকপু পরা তম্বীনবা চঙশিল্লকপদা অচৌবা মীশি মীনা, অশোক অপন কয়া থোক্লকপা য়াই হায়নসু মখা তারি।

# মশাগী ফম ফংনবা য়ানা য়ানবা ...

*লমায় ১গী মখা...*ইমা ১০৮গী নৌনা মেম্বর ওইরকপা কৈশামথোং এ সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪০দগী মীওই লিশিং ১ রোম তরান্না ওকপগী পাঙথোকখিবা থৌরমদা ৰা ঙাঙলদুনা মহেশ্বর থৌনাওজমনা মখা তানা হায়, মীখল ময়া নকশিল্লকপা মতম শাঙনা মশক উরক্ত্রবা মীহুৎশিংনা মণিপুরগী এসেম্বলী কন্সটিট্যুয়েন্সি খুদিংমক্তা ক্লব, কম্ম্যুনিটি হোল, লম্বী সোরোক অমদি মৈরা শঙনচিংবা শেমজিন শাজিন্দুনা মীয়াম্বু মোইথেম তৌবা হৌরক্লগনি। ভোট মতম খরদা মীয়ামগী সেবা তৌবনা মীহুৎশিংগী মথৌরা। মণিপুরগী হৌজিক চত্থরিবা কাংলোন অসি হৌবদগী লোইবা ফাওবা অশোইবা কয়ানা পীক থল্লে। পুন্নমক অসি শেমদোকপদা লমদম অসিগী ইমাশিংনা থৌদাং লৌবিয়ু। লৈবাক অমবু শেম্বদা নুপী ওইবীশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মীখলদা মায় পাকপা মায়থীবা হায়বসিদি লৈবাক্কী ৰানি। অদুবু মীয়ামগী সেবা তৌগে খল্লগা পোলিটিক্সতা চঙলকপা মীওই অদুদি ভোট পোরবসু থবক অদুম তৌরক্কনি। ঐখোয়গী মীহুৎশিংনা তৌরকপা থবক থৌরমশিংদা 'লাল্লবদি লাল্লে, চুম্লবদি চুম্মী' হায়বা ঙম্বগী থৌনা ৰাখল্লোল চঙই।

ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মাইপাদা পাঙথোকখিবা ইমা ১০৮গী ফেসিলিটেসন কম এক্সজিক্যুটিব মীটিং অদুদা আর পি আই অথৱালে মণিপুগী ৰার্কিং প্রসিন্টে ডা. লাইতোঞ্জম হরিদাস, জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিন) জীমি দেবী থোকচোম, জেনরেল সেক্রেটরি বসন্ত কুমার মাইবম অমদি অতৈ থৌ পুবা মরু ওইবা কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না ঙরাং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী আই টি রোদতা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা চত্থরকপা এম্বুসতা নাগা মীচম ৫ লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখি।

# আর পি এফকা মরী ...

*লমায় ১গী মখা...*রিভোলুনরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) অমসুং মসিগী লান্মী শঙলুপ পি এল এগা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না আর পি এফকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পল্লিসিটি বঙ্কিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# পুকচেল শেংনা লোয়নদ্রিখে ...

*লমায় ১গী মখা...*ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) শাফোংলকখিবা চহী ৬১শুরকপগী মপোক কুমওনগী থৌরমদা ৰাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এমসুগী প্রসিদেন্ট ব্রুশ পেবমনা মখা তানা হায়খিবদা কুমজা ১৯৬৫কী ওগষ্ট ২৭তা চাক্লাম খোঙচৎ থোকখ্রবা মতুং মথংগী নুমিৎ ওগষ্ট ২৮দা মণিপুরগী অপুনবা মহৈরোই লূপ অমা ওইনা ইখেংলক্তা এমসু শাফোঙখি। থৌদোক ৰাথোক তত্তনা থোকপা লমদম অমা ওইবনা মহৈ মশিন তম্বগী লমদা নাকোয়ননা নৎত্রগা হকথেংননা চৈথেং কয়া পীরকপনা মরম ওইরগা লমদম অসিগী থৌদোক ৰাথোক কয়াবু ৰারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা মহৈরোই খুন্নাই অসিনা মমাঙ থাবা লান্মী অমা ওইনা রাইট টু এদুকেসন  অমদি রাইট টু লাফ অনীমক লেঙ নাম্মা নাম্মদা থাঙ্গত্তুনা লাকখি।

ঙসি ঙসিমকসু মীহাৎ মীপুনগী থৌদোক কয়া লেপ্তনা থোক্লি অমদি তারি। ঙসি ফাওবদা পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খুনেক লান্মী শীজিন্নদুনা লেপ্তনা চত্থরক্লিবা লাল্লোংশিং অসিদা মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিন্নবনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্লা ফনা হোৎনরবসু উত্তা ঘী হৈবগী পাঙ্খক ওইরি। ঙরাংমক্তসু কুকি লালহৌবশিংগী এম্বুশতা নাগা মীচম ৪ লৈখিদবা য়ান্না লাইবক থিবা থৌদোক্লি। মরমশিং অসিনা লৈবনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মৈতৈ, কুকি, নাগা অমদি মৈতৈ পাঙলশিং অসিনা পুকচেল শেংনা লোয়নদ্রিবা ফাওবা ইং তপ্পগী খোঙথাং কয়া পায়খৎলবসু মহয় য়ানবা ঙল্লোই। মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক ৰাথোক কয়া অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খূৎ য়াওদে হায়বা য়ারোই। রাইট টু লাইভকী ৰাহন্থোক লৈত্রবা খুন্নাই অসিদা মীয়ান্না পাল্লিবা অপুনবা মণিপুরগী মঙলান অদু মঙফাওননবা হোৎনবদা ঙসিগী নুমিৎ অসিনা মীয়াম অমদি মহৈরোইশিংগী অনৌবা খোঙচৎ অমা ওইরকপা ওইরসনু হায়খি।থৌরম অদুদা খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন জয়কুমার, এমসুগী প্রসিদেন্ট ব্রুস পেবম, সোসিয়েল সাইন্টষ্ট ডা ধনবীর লাইশ্রম, কলচরেল এক্টিভিষ্ট নিংথৌজা লানচা, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার ডা. আর কে জোতিন, এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ পোলিটিকেল সাইন্স এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা কাঙুজম সনাতোম্বা অমদি এমসুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ডা পিটর লাইশ্রম না মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। এমসুগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

# এমএলএ রঞ্জনগী য়ুমদা বোম ...

*লমায় ১গী মখা...*সপ্লিন্টরনা য়ুমথক্কী তীন, থোঙনাও মিংশেল অমদি ফক্লাংগী শরুকশিংদা পানখি। থৌদোক অদুবু হেক থোকপগা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীদুনা ফোরেন্সিক টিম লাক্তুনা য়েংশিল্লল্লে। মমাঙদা অকি অখঙ পীরকপা লৈতবনা থৌদোক অসি কনানা করিগীদমক চত্থরিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। মরম চাদনা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি তৌহন্নিংদে, মসিগুম্বা থৌওং চত্থবগী কান্নবা করিনো হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, এম এল এগী য়ুমদা বোম পোকখায়হল্লম্বগী থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোন্থৌজমগী অপূনবা মৈরা পায়বীশিংনা এম এল এগী থোঙ্গালদা ৰাকৎ মীফম চত্থখ্রে। এম এল এগী য়ুমদা বোম লংশিনবগী থৌওং অসি কনানা করিগীদমক চত্থরল্লিবনো হায়বা অথুবা মতমদা শেংদোকপীরকউ হায়নসু খোঙজংদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোকখি।

# এসেমব্লী সেসন মমাঙদা সেন্সস য়েথোরক্কনি...

*লমায় ১গী মখা...* চত্তুনা সেন্টরগী লুচিংবা কয়া য়াওনা উন্নদুনা লমদম অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনরুবা মতুং ঙসি ইম্ফালদা হল্লকখিবগা লোয়ননা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসি নুংথিল ইম্ফালদা থুংলবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নবদা শান্তা নহাকপমনা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা মীয়ান্না হৌরিবা ইহৌ, চঙশিল্লিবা খোঙজং সেন্টরনা লুন্না লৌহৌই। খোঙচৎ অসিদা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা হোম মিনিষ্টর, এম এল এশিং অমদি ফোর্মর চীফ মিনিষ্টর ফাওবা য়াওনা পুন্না সেন্টরগী লীদরশিংদা মীয়ামগী অপান্বা তকশিনখি। সেন্টরগী লুচিংবা কয়া য়াওনা ইন্টলিজেন্সকী মীহুৎশিং উন্নদুনা শাখিবা ৰারীশিংগী মতুং ইন্না চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২দগী পাঙথোকপা হৌনবা শেম শারিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী ৮শুবা সেসন হৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা সেন্সস য়েথোক্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মরম অসিনা সেন্সস অসি য়েথোকখ্রবা মতুং মীতোপ মীয়ানচাশিং খন্দোকতুনা দিলিমিটেসনগী থবক কাঙলোম চুন্না পাঙথাকহনবা য়ানবা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক য়াওনা মণিপুর মীয়ামগা পুন্না ট্রাইপর্টাইট টোক অমা শীন্দুনা এন আর সি অসি মতৌ কমদৌনা কাঙলোন চুন্না পাঙথোক্কনি হায়বগী মরমদা খন্নবা মথৌ তাই। চৈরকসিদা লূপ অসিনা মীয়ামগী খোল্লাও কয়া  পুদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুবু লান্না উহনখিবা য়াবা মওংদা মীওই খরনা মানা মানা হায়নিংবা ৰাফম মেদিয়াদা ফোঙদোক্লিবা অসিমক য়ান্না লাইবক থিবনি হায়না পেন্দবসু ফোঙদোকখি।

# এম এল এ সুসিন্দ্রো বি জে পিদগী তোক্লবগী...

*লমায় ১গী মখা...*
এম এল এ সুসিন্দ্রোনা করিগীদমক বি জে পিদগী তোক্লবগী ফায়রৱেল পীখিবনো হায়বগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। অদুমকপু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মশামক্লা বি জে পি পার্টিদগী তোক্লিংবগী ৰাফম কয়া ফোঙদোকখিবদি লৈখ্রবনি। এম এল এ সুসিন্দ্রো খক্তা নত্তনা বি জে পিগী এম এল এ অমদি মিনিষ্টর কয়া লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা বি জে পিদা ভোট লেপ্পলবদি কারোইদ্রা হায়বগী মিপাইবা পোক্লরকপদগী বি জে পি পার্টি থাদোকপা পামদ্রগসু থাদোক্লিংবগী ৰাফম কয়া নীংফুং নীংফুং ঙাংনবা হৌরকখ্রবনি।

তশেংনমক্তি হৌখিবা ২০২৩গী মে ৩দগী থোকখিবা ইরাং অদুগী ৰারোইশিন ঙসি ফাওবা পুরকপা ঙমদবা অমদি ষ্টেট অসিদা এন আর সি অপদেট তৌদনা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়া লাউদুনা ইহৌ চঙশিল্লক্লবসু বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অনিংবা অপান্বগী মতুং ইন্না থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসিনা মরম ওইরগা বি জে পিগী এম এল এশিংদা ভোট কাররোইদ্রা হায়বগী মিপাইবা পোক্লরকখিবনি।

# স্পোর্টসতা মীথোই মীহেনবা শান্নরোইশিংবু ...

*লমায় ১গী মখা...*
ব্রুসু, কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং / রোয়িং, দাইভিং, জিমনাষ্টিক অমদি এথলেটিক্সশিংসু মনুং চনগনি হায়রি।

লোয়ননা ঙসি পাঙথোকখিবা কেবিনেটকি মীফম অদুনা ৱিমেন ইম্পাৱরমেন্ট (দব্লিউ ই) – মণিপুর স্কিমগী মনুংচন্না ষ্টেট অসিগী নুপী লাক্ষ ৩.৫ রোমদা শকখঙলবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মেম্বর ওইরবা নুপীশিংদা লুপা লিশিং ১০ / ১০ পীনবগী অয়াবসু পীখ্রে। মসিগী দিটেলস পূন্নমক অথুবদা থোক্লক্লগনি। মণিপুর গুদস এন্দ সর্ভিস টেক্স (১০শুবা এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০২৬ এসেমব্লি সেসনদা পুথোক্লবগী অয়াবসু পীখ্রে।

মীফম অদুদা মণিপুর টাউন এন্দ কন্ট্রি প্লানিং এক্ট ১৯৭৫ (৬শুবা এমেন্দমেন্ট) সু এসেমব্লি সেসনদা পুথোক্লবা অয়াবা পীখ্রে। বিল অসি পুথোক্তুনা শেমদোক্কদৌরিবা অসি নেসনেল রিগুলেসন অমদি ইজ ওফ দুয়িংগী বিজিনেস রিফোর্ম তৌদুনা মষ্টর প্লানিং শেমগৎনবা হোৎনবদা মতেং ওইনবনি। লোয়ননা ইন্দিয়ান ষ্টাম্ফ (মণিপুর এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৬, অমদি দ্রাফ্ট মণিপুর পব্লিক সর্ভিসেস দিলিভরি গরেন্টি রুল ২০২৬ সু কেবিনেটকি মীফম অদুনা অয়াবা পীখ্রে। ঙসি পাঙথোকখিবা কেবিনেটকি মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দ, দেপ্যুটি সি এম লোসি দিখো, হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি মরুওইবা ওফিসিএলশিংসু শরুক য়াখি।

# ঐখোয় তুমিন্না লৈশিনবা মতম নত্রে...

*লমায় ১গী মখা...*
অথোইবা মীথুংলেনগী ৰারোল থল্লদুনা স্পিকর সত্যব্রতানা হায়, লমদম অসিগী লৈরিবা নাৎ অমদি চৎন-লোনচৎ অসি য়োকখৎতুনা থম্বা হায়বসি তঙাই ফদবনি। মসি পূন্নমক থবক ওইনা ওন্থোক্লা ঐখোয় করি তৌগদগে হায়বদু মুন্না খনবা মতম ওইরে। মৈতৈ ফুরুপনা লমদম অসিদা খুন্দাদুনা লৈবা য়ারিবা লমগী শরুক অসি চাদা খরা খক্তনি। মসিগী মথক্তা ফেমিলি প্লানিংগী ৰাখল্লোন কয়া লাকপনা অঙাং পোকপকী চাং নেম্বনা ফুরুপ অসি মীশিং হন্থরকপগী মমিসু চাওনা তারক্তবা নত্তে।

মহাক্লা হায়, খুন্নাই অসিগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম ঐখোয় পূন্নমক্লা উরবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ঐখোয় ৰাখল খক খন্দুনা লৈথোকপা মতম নত্রে হায়বসি খঙমিন্নবা চঙই। মসি খঙনা ঐখোয় করি তৌগদগে হায়বদু কুপ্পা খন্নবা মথৌ তারে। তুংলমচৎ অমদি খুন্নাই অসিগীদমক খোঙথাং চুন্না থাঙবা মীরোল অসিনা ৰাখল খন্থমিন্নবা চুমগনি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৰারোল থল্লদুনা ঙসি হাঙদোক্লিবা কলচরেল দিগ্রি কোলেজ অদুগী গভর্ণিং বোদিগী চেয়রমেন ডা. থাংজম মুনিন্দ্রোনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সি)দা এফিলিয়েট তৌদুনা হাংদোক্লিবা কোলেজ অসিনা লমদম অসিগী নাৎ অমদি কলচর ঙাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরগনি হায়বা থাজে। অতোপ্পা মহৈশঙশিংদা তম্বা মহৈরোইগা কোলেজ অসিগী মহৈরোইশিংগী মরক্তা খেন্নবা খরদি অদুমক উবা ফংলগনি।

এম য়ু সিনা পীবা সেলেবসশিং তাকপী তম্বীবা খক্তা নত্তনা লাইওইখ্রবা ইপাগী জগোই ঈশৈগী শাথেক শানৌ মখল কয়া অমসু মহৈরোইশিংদা তাকপী তম্বীগনি। কোলেজ অসিনা য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিয়েট তৌদ্রিঙৈদগী হৌনা মফম অসিদা লৈরক্লবা জগোই লোইশঙনা পন্দুপ নাইনা মহৈরোই লিশিং কয়াগী মথক্তা পুথোক্তুনা লাকখ্রবনি। নৌনা হাংদোক্লিবা কলচর দিগ্রি কোলেজ অসিনা লমদম অসিগী নাৎ অমদি ফ্লোকগী লমদা মমুৎ তানা খঙবা মহৈরোই কয়া পুথোকপদা চাওনা মতেং পাঙলগনি থাজে হায়খি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লুৰাং শাশঙাইগী শাথেক জগোয় য়াওনা চৎকোই সলাইশঙগী মহৈরোইশিংনা শাথেক অমদি শৈশক তম্বা সিরুই লিলি জগোয় অমসুং শেল্লোই লমাইচিং লাইচিং শৈথারোল ঈশৈ মীয়ামদা খুদোল তমখি।

# মী কয়া শিরগা তঙদু লৈতাবা লাক্কদবনো ...

*লমায় ১গী মখা...*
হায়, কোংগ্রেস পার্টিনা ঙরাং আই টি রোদতা লিয়াংমৈ নাগা মীচম মরী হাৎখিবা থৌদোক অদু অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদগী শেমখিবা মপুং ফাদ্রিবা লৈঙাক অসিনা লাকপদগী মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লক্কনি হায়না থাজবা চাউনা তম্নখিবনি অদুবু লৈঙাক্লা অসি লাকপদগী ঙসি ফাওবা মীশি মীনাগী থৌদোক থোকপা লেপ্পা লৈত্রি। ত্রোংলাওবীদা অঙাং হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মতুং থাদৌগী ধর্মগী লুচিংবা য়াওনা হাৎখিবা অদুদা চেন্নবা মতিক চানা এক্সন লৌবা লৈত্রি। য়ান্না নুংঙাইতবা থৌদোক ওইরিবা লৈলোন ভাইফে ভিলেজদগী ফাখিবা নাগা মীচম তরুক অদুগী অশেংবা ৰায়েল ফংহল্লু হায়দুনা অশিবা হকচাং লৌদনা জেনিমসদা লৈরিঙৈ চৈরক্তা ঙরাং অমুক নাগা মরি হাৎখিবা অসি ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা স্পোন্সর তৌরগা চত্থরব্রা হায়বা ৰাহং ওইরে। চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা লমদম অসিগী মীচম মীয়ামগী পূন্সি ঙাক শেনবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি চীফ মিনিষ্টর ওইনা লৈথবগী মরম লৈতে, মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি হায়নসু মখা তাখি।

# এম্বুসতা লৈখিদ্রবা নাগা ৪গী অশিবা হকচাং ...

*লমায় ১গী মখা...*
এস্কোর্টশিংনা লৈখিদ্রবা নাগা ৪গী অশিবা হকচাংশিংদু পুরকখিবনি। অশিবা হকচাংশিং অদু নাগাগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা ঙসি অয়ুক চাউরাক্লা পুং ৮.৩০ রোম তারকপা অদুৰাইদা মীয়াম য়াওনা ইকায় খুন্নবা উৎখি। মদুগী মতুংদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা অয়ুক পুং ১০.২৪ তারকপদা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক্তা পুরকখিবনি। নাগাগী অশিবা হকচাং ৪ পুরকখ্রে হায়বা তাবদগী নাগা মীয়াম থোরক্তুনা লম্বীগী নাক য়েত্তা তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুন্নবা উৎখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা য়ানিংদবা উৎলদুনা ঙসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ততা নাগানা তাবা লমশিংদা য়ু এন সি য়াওনা নাগাগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা টোটেল সটদাউন চত্থখি হায়রি।

# ইরাং থোকহনবা পাম্বশিং খন্দোক্লগা চৈরাক...

*লমায় ১গী মখা...*  এন সি সি অমদি কোলেজ অমদি স্কুলগী মহৈরোইশিং অমদি অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসারশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, কুকি অমদি মৈতৈগী আই দি পিশিং চঙদুনা উনবা মতমদা করম্বা মতমদা য়ূমদা হনবা য়াগদোইনো হায়না লোয়না হংলকখি। ইরাং পাম্বা য়ূমদা হন্নিংদবা মীওই অমত্তা লৈতে। ইরাং  অসি লৈঙাক্লা লোইশিন্নবা হোৎনরি অদুবু ইরাং লোইশিনবা পামদবা মীওই খরা লৈরে। মখোয়গী লুচিংবশিংনসু ফারগা লোগী মতুংইন্না চৈরাক পীগদবনি।

হৌখিবা ২০২৩গী মে ৩গী মমাঙদা আর দি এন্দ পি আরগী মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা চীংদা থবক য়েংশিন্নবগীদমক থাংজ খুদিংগী চীংদা লেক্লগা নোংমাইজিং নুমিৎতা হল্লকখি। মতম অদুদা কাঙলুপ অমগা অমগা নুংঙাইনদবা অমদি খূৎলাই পায়রগা মীওই অমত্তা চৎপা উখিদে। হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট লাকপদগী ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা থিন্দোকপা মতমদা চুড়াচান্দপুররোমদা ইরাং থোক্লে হায়বা তোকঙা শন্দোরকখি।

তোকঙা অদুনা মরম ওইরগা ইম্ফালদা য়ুম মৈ থাবা অমদি খূৎশু খুৎলাই পায়বা হৌরকখিবনি। ইরাং অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবগীদমক অসাম রাইফলস, সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি ফোর্সেস অমদি ষ্টেট ফোর্সনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# বোম থমজিল্লম্লে ৰাকৎ মীফম ...

*লমায় ১গী মখা...*
পায়বী লুপ অসিগী মেম্বর ফুরাইলাৎপম সোভানা হায়, ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৪৫ রোম চৎপা অদুৰাইদা মশক খঙদবা মীওই খরনা তোম্বীচৌগী য়ুমগী থোঙ্গলদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থল্লমখিবনি। বোম অদু অঙৌবা মচুগী খাও অমদা হাপ্তুনা লাষ্ট ৱার্নিং কে সি পি-পি দব্লীউ জি হায়বা ৰাহৈ থাবা চে মচেৎ অমগা য়াওরমখিবনি। মতম মতমগী বিজিনেস তৌদুনা ইমুং মনুং পুরিবা তোম্বীচৌগী য়ুমদা বোম থমজিল্লম্বগী থৌওংসি য়ানিংদে। মী কুংনা তাবা য়ুম্লক্তা বোম থমজিন্দুনা অকি অখঙ পীবা য়ানিংদে। বোম অসি পোকখায়দুনা অশিঅনা য়াওরল্লবদি মদুগী তেকচাক কনানা পুগদৌরি। মমাঙদা কনাগুম্বা লালহৌলুপ অমদি মীওই অমত্তগা তোম্বীচৌগা নুংঙাইনদবা লৈতবনা কনানা করিগীদমক থৌওং অসি চত্থরল্লিবনো অমদি তোম্বীচৌগী মরাল করিনো হায়বা অদু অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা শেংদোকপীরকউ হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# নেসনেল স্পোর্টস দেগী থৌরম মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে







ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (এস এন এস)ঃ

লৈবাক অসিগী শিনবা থুংনা পাঙথোক্তুনা লাকপা নেসনেল স্পোর্টস দেগী থৌরম ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৩০ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চুপ্পা সাই এস টি সি খুমন লম্পাক ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকপা হৌখ্রে।

নেসনেল স্পোর্টস দেগী থৌরম অসিগী ঙসি হৌদোকপগী নুমিৎতা হন্দক্তা গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমস ২০৬কী নুপাগী কেজি ৬০গী কেটাগোরিদা সিলভর মেদল লৌরকখ্রবা চনম্বম রিশিকান্ত, সাই এস টি সি ইম্ফালগী সেন্তর ইন চার্জ মাইবম রমনি চনু অমদি হান্নগী সেপাক তাক্রো কোচ থোকচোম মুহিন্দ্রো সিংহনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াদুনা মেজর ধ্যানচান্দগী ফোতোদা লৈ কুৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

লোয়ননা থৌরম অদুদা সাই এস টি সি ইম্ফালগী কোচ, ষ্টাফ অমসুং শান্নরোইশিংসু শরুক য়াখি। থৌরমগা মরী লৈন্না শান্নরোইশিংগা চনম্বম রিশিকান্ত সিংহগা ইন্টরক্সেন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

নাকল অমরোমদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ৱিজার্দ ওফ হোক্কীনি হায়না মিংথোল পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রবা ইন্দিয়াগী হোক্কী প্লেয়র অমসু ওইরিবা মেজর ধ্যানচানদগী মপোক কুমওনবু নেসনেল স্পোর্টস দে হায়দুনা লৈবাক শিনবা থুংনা পালন তৌদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ভারতকী মফম কয়াদা পাঙথোক্লিবা নেসনেল স্পোর্টস দেগী থৌরম বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট পুলিস বিষ্ণুপুরনা সাই এস টি সি উৎলৌগা খুৎশম্নরগা উৎলৌগী সাই কমপ্লেক্সতা ঙসিদগী হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা এস পি বিষ্ণুপুর অমদি সাই এস টি সি উৎলৌগী সেন্তর ইনচার্জ এল রিঙ্কিনা লুংচিংলগা মেজর ধ্যানচান্দগী ফোতোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরমগা মরীলৈন্না এস পি বিষ্ণুপর কেএসঐচ রাভিকুমারনা (আই পি এস)না হায়, শান্নবনা ঐখোয়গী মীরোল অমদি দিসিপ্লিন হেনগৎহল্লি। অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন পূনশিনবসু ঙম্মী। লিং জেল মান্নবা ৱাখল লৌশিং, থৌনা কয়া পুরকপা ঙম্মী। পাঙথোক্লিবা নুমিৎ অসিনা মণিপুরদা মশা মউ ফবা, শান্তি লৈবা সমাজ অমা পুরকপা ওইরসনু হায়খি।

থৌরম অদুদা এস পি বিষ্ণুপুর কেএস রাভিকুমার, টুরিজম ডাইরেক্টর কেঐচ দাইনা, বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী জে ়াইন্ট সেক্রেটরী, এন শ্যামকুমার, সাই এস টি সি উৎলৌগী সেন্তর ইনচার্জ এল রিঙ্কি লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসার কয়াসু শরুক য়াখি।

ঙসি হৌদোকখিবা নেসনেল স্পোর্টস দেগা মরী লৈন্না ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমসু হৌদোকখি। টুর্নামেন্ট অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা শান্নখিবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোনা বিষ্ণুপুর পুলিসবু গোল ৫-৪দা মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা য়ু এফ সি অমসুং এস টি সি উৎলৌসু শরুক য়ারি।

নাকল অমরোমদা লিজেন্দরী হোক্কী প্লেয়র মেজর ধ্যানচান্দগী মপোক কুমওনবু নীংশিংবা ওইনা 'খেলো ভারত জিতো ভারত' হায়বা থিমদা নেসনেল স্পোর্টস দেগী থৌরম ককচিং পাক-শন্না ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী স্কুলশিংদা নেসনেল স্পোর্টস দে ২০২৬ পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে।

থৌরম অসি নুমিৎ হুমিন চুপ্পা ওগষ্ট ৩০ ফাওবা লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা পাঙথোক্লগদৌরি।

ককচিংগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা নেসনেল স্পোর্টস দেগী থৌরম অসি জোনেল ইদুকেসন ওফিস (ককচিং)না শীন দুনা স্কুল কয়াদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুনা চহী কাঙলুপ খুদিংমক্কী মীওইশিংবু স্পোর্টস অমসুং ফিজিকেল এক্টিভিটিশিংদা য়াওশিনহন দুনা মশা মউ ফনা থম্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং থল্লি।

মহৈরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী স্কুলশিংদা মেজর ধ্যানচান্দগী শক্তমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎনখি। মেজর ধ্যানচান্দনা ইন্দিয়াগী হোক্কী অমসুং স্পোর্টসতা লৌরম্বা থোয়দোক হেন্দোকপা থৌদাং অদুনা মরম ওইদুনা 'দি ৱিজার্দ ওফ হোক্কী' হায়বা মীংথোল পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎনরিবনি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংবু স্পোর্টস অমসুং ফিজিকেল এক্টিভিটিদা পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা গেমস অমসুং স্পোর্টসকী মশান্না কয়াসু শিন লানখি।

ককচিং খুনৌ মখা হায়স্কুল, মার্টিন গ্রামার স্কুল, গ্রেস রিচ একাদমি এন্দ ইদুকেসনেল দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসন, পল্লেল হায়স্কুল, ইরেংবন্দ অপর প্রাইমারি স্কুল অমসুং শুগ্নু হায়র সেকেন্দরী স্কুলদসু থৌরমশিং পাঙথোক্লখি।

# মণিপুরগী জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টিম বেঙ্গলুরুগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (এস এন এস)ঃ

জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডা বিসি রোই ট্রোফি ২০২৬-২৭দা শরুক য়ান্নবা মণিপুর জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টিম ঙসি বেঙ্গলুরুগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মণিপুর জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা আই দব্লিউ দি এফ এদগী থাংশাবম থোমাস মৈতে অমসুং য়ু সি এফ এদগী নিংঙোম্বম খেলেম্বা মৈতৈনি।

দিফেন্দরদা মুফাদগী লাইশোম সুবাসন, আর এফ এদগী শিরোই খ্বাইরাকপম, বি এফ এদগী লাইশ্রম জিমেক্স, দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী লময়ানবা ওইনাম, আই দব্লিউ দি এফ এদগী খ্বাইরাকপম লনচেনবা, দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী বিকাস হুইদ্রোম অমসুং নেরোকা এফ সিদগী ক্ষেত্রিময়ুম নোদিয়াচান্দ সিংহনি।

মিদফিল্ডরদা প্রাবিন ৱারেপম, খুমন এফ এদগী হৈক্রুজম সলাইঙানবা মৈতে, কে এ এফ এদগী থিয়াম জেমসন মৈতে, দি এস এ ককচিংদগী থিঙনাম জোসুৱা, দি এস এ বিষ্ণুপুরদী ময়াংলম্বম লমঙানবা অমসুং নেরোকা এফ সিদগী মুস্কাননি। ফোরৱার্দতা কে আই ৱাই সি এফ এদগী মুহামদ ইজাজুর রেহমন, আই ৱাই এফ সিদগী চনম য়োহেনবা অমসুং খুমন এফ এদগী থাংজম দীপক সিংহনি।

টিম অসিগী মুহামদ জানে খাননা মেনেজর, হেদ কোচ, কে দোনাল্ডদা এসিষ্টেন্ট কোচনা জাভেদ অখতর অমসুং সোবিকাশনা ফিজিও ওইনা শরুক য়ারি।

ষ্টেটকী জুনিয়র বোইজ টিমনা গ্রুপ-এদা কেরলা, তেলঙ্গনা অমসুং অসামগা পূন্না তামিন্নরি। গ্রুপ-বিদনা ৱেষ্ট বেঙ্গল, পঞ্জাব, কর্ণতকা অমসুং চান্দিঘর, গ্রুপ-সিদনা মিজোরাম, মেঘলায়া, তামিল নাদু অমসুং মহারাষ্ট্রা অদুগা গ্রুপ-দিদনা দিল্লি, গোৱা, ওড়িষা অমসুং উট্টর প্রদেশনি।

মণিপুরগী ওপনিং মেটচ ওইনা থা অসিগী ৩১দা অসামগা শান্নরবা মতুং সেপ্তেম্বর ২দা কেরলাগা অদুগা অরোয়বা মণিপুরগী মেটচ ওইনা সেপ্তেম্বর ৪দা তেলঙ্গানাগা শান্নগনি।

ডা. বি সি রোই ট্রোফি ২০২৬-২৭কী ফিক্সচর

| MN | Date | Group | Fixture | Time |
|---|---|---|---|---|
| 1 | 25-Aug-2026 | B | West Bengal vs Punjab | 08:15 AM |
| 2 | 25-Aug-2026 | B | Karnataka vs Chandigarh | 11:15 AM |
| 3 | 26-Aug-2026 | D | Delhi vs Uttar Pradesh | 08:15 AM |
| 4 | 26-Aug-2026 | D | Goa vs Odisha | 11:15 AM |
| 5 | 27-Aug-2026 | B | West Bengal vs Chandigarh | 08:15 AM |
| 6 | 27-Aug-2026 | B | Punjab V Karnataka | 11:15 AM |
| 7 | 28-Aug-2026 | D | Delhi vs Odisha | 08:15 AM |
| 8 | 28-Aug-2026 | D | Uttar Pradesh vs Goa | 11:15 AM |
| 9 | 29-Aug-2026 | B | Karnataka vs West Bengal | 08:15 AM |
| 10 | 29-Aug-2026 | B | Chandigarh vs Punjab | 11:15 AM |
| 11 | 30-Aug-2026 | D | Delhi vs Goa | 08:15 AM |
| 12 | 30-Aug-2026 | D | Odisha vs Uttar Pradesh | 11:15 AM |
| 13 | 31-Aug-2026 | A | Manipur vs Assam | 08:15 AM |
| 14 | 31-Aug-2026 | A | Kerala vs Telangana | 11:15 AM |
| 15 | 01-Sep-2026 | C | Mizoram vs Maharashtra | 08:15 AM |
| 16 | 01-Sep-2026 | C | Meghalaya vs Tamil Nadu | 11:15 AM |
| 18 | 02-Sep-2026 | A | Manipur vs Kerala | 08:15 AM |
| 19 | 02-Sep-2026 | A | Telangana vs Assam | 11:15 AM |
| 20 | 03-Sep-2026 | C | Mizoram vs Tamil Nadu | 08:15 AM |
| 21 | 03-Sep-2026 | C | Maharashtra vs Meghalaya | 11:15 AM |
| 22 | 04-Sep-2026 | A | Manipur vs Telangana | 08:15 AM |
| 23 | 04-Sep-2026 | A | Assam vs Kerala | 11:15 AM |
| 24 | 05-Sep-2026 | C | Mizoram vs Meghalaya | 08:15 AM |
| 25 | 05-Sep-2026 | C | Tamil Nadu vs Maharashtra | 11:15 AM |

# মণিপুরগী সেনিয়র পৱারলিফটিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (এস এন এস)ঃ উট্টর প্রদেশতগী ঘজিপুরদা থা অসিগী ২৯ দগী সেপ্টেম্বর ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদবা সেনিয়র নেসনেল ইক্যুপ পৱারলিফটিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৬তা শরুক য়ানবা ষ্টেটকী সেনিয়র পৱারলিফটিং টিম ওল মণিপুর পৱারলিফটিং এসোসিয়েসননা শেমখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী পৱারলিফটিং টিমদা য়াওরিবা নুপা লিফটরশিং অদুদি কেজি ৬৬ কেটাগোরিদা গুরুময়ুম ভেনস শর্মা, কেজি ৭৪দা লনচেনবা মাইমোম, কেজি ৮৩দা পঙাম্বম পূন্সিবা সিংহ, নাওশেকপম রোজিৎ সিংহনি।

নুপী লিফটরশিং অদুনা কেজি ৫৭দা ময়ালক্সমি মাইমোম, কোন্সম ইথোই অমসুং কেজি ৬৩দা নামৈরাকপম দেভলা দেবীনি।

রেফরি এক্সামদনা থাংজম লৈমা চনু, গ্যানেশ্বরী নান্দৈবম অমসুং কিরনকুমার কাঙজমনি।

ওফিসিয়েলশিংদনা এলাংবম ইনাওনা কোচ, তেন্সুবম সোভিনিনা মেনেজর অমসুং নাওরেম সুশিলা দেবীনা রেফরি ওইনা শরুক য়াগনি।

# শান্নরোই, ওফিসিয়েল তরাম্না ওক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর মিক্স বোক্সিং এসোসিয়েসন (অমম্বা)না শীন্দুনা হয়েং পোরোম্পাৎতা লৈবা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লব কম্মুনিটি হোলদা মমাঙ থা জুলাই ৩০দগী ৩১ ফাওবা নেপালগী কদমন্দুদা পাঙথোকখিবা ৩শুবা ৱার্ল্ড মিক্স বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৬তা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েল ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি।

ওকপগী থৌরম অদুদা অন্দ্রো এ সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট লৌরেম্বম সঞ্জয়না চীফ গেষ্ট, অমম্বাগী প্রসিদেন্ট মুতুম চুরামণি মৈতৈনা প্রসিদেন্ট, ইম্ফাল ইষ্ট জিল্লা পরিষদকী হান্নগী উপ-অদক্ষ্যা ক্ষেত্রি তমা, য়াইরিপোক চঙমদবীগী হান্নগী প্রধান এমদি কমারুদ্দিন, মচু ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপাইটর গুনেশ্বর থাংজম, দি ফিজিক ইম্পিয়র জিমগী ৱার্শিম চেসম অমদি সোসিয়েল ৱার্কর মোইরাংথেম পিটরনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

# নেদরলেন্দসগী ফুটবোল টিম মপাঙ্গল কনখৎনবা জাবিনা পান্দম থল্লি



মোহালি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি)ঃ

বার্সেলোনাগী হান্নগী কেপ্তেন ওইরম্বতা নত্তনা স্পেন নেসনেল টিমগী কেপ্তেনসু ওইরম্বা নেদরলেন্দস নেসনেল ফুটবোল টিমগী কোচ ওইনা খনখ্রবা জাবি হার্নান্দেজনা অৱাংবা থাক্কী অথোয় অহেন তান্নবগী কম্পিটিসনদা মপাঙ্গল শোন্না লৈরিবা নেদরলেন্দস টিমবু মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা মায়োক্লবা টিমবু মায় পাক্কা লম্বা পান্নবগীদমক পান্দম থল্লি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না নেদরলেন্দসকী কোচকী মখাদা ফুটবোল মশান্নদা কেরিয়র শেল্লকখিবা জাবি হর্নান্দেজনা করিগুম্বা খরা নেদরলেন্দসতা খুৎলং লমন শিংবগী অপাম্বা চপ চানা লৈ। নেদরলেন্দসকী কোচ লুইজ ভেন গালনা জাবিবু মালেমগী থোয়দোক্লা শকখঙনরবা বার্সেলোনা ফুটবোল ক্লবতা দিব্যুট তৌবদা য়াম্না চাউনা মতেং পাংখি হায়রি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা জাবি হর্নান্দেজনা ১৯৭০গী মতমদা নেদরলেন্দস ফুটবোল টিমনা উৎখিবা মশান্নশিং অদু অমুক হন্না হৌজিক লৈরিবা নেদরলেন্দসকী টিম অসিনা মখা চঙ্খদুনা মেটচ খুদিংমক্তা মায় পাক্কা শান্নবা ঙম্নবগী পান্দম থল্লি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২৪দা এমষ্টরদামদা নেদরলেন্দসনা জর্মনিগা শান্নগদৌরিবা অসিগী মতাংদা জাবিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ুরোপ্তা খ্বাইদগী মকোক থোংবা লৈবাক অমা ওইরিবা জর্মনিগা শান্নগদৌরিবা অসিদা নেদরলেন্দসনা চেলেঙ্গস কয়া মায়োক্লরবসু খ্বাইদগী নুংঙাইবা মীকুপ অমনি। জর্মনিগা মায় পাক্কা লম্বা পানবগীদমক নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিং শেম শাদুনা লৈ হায়নসু মহাক্কা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি হন্দক পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ডকপ্তা মোরোক্কোগী মখুৎতা মায়থিবা নঙখ্রবা মতুং জাবিবু নেদরলেন্দসকী কোচ ওইনা নৌনা এপোইন্ট তৌখিবনি।

# এ কে এস টি এনা অস্মিতা সিটি সেপাক তাক্রো লীগকী মপু ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর সেপাক তাক্রো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সেপাক তাক্রো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা কুম্বীগী ইমা ফৌওইবী কম্মুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা অস্মিতা সেপাক তাক্রো ৱুমেন'স লীগ ২০২৬-২৭কী ৱিন্নর এ কে এস টি এ কুম্বীনা ওইখ্রে।

ফাইনেলদা এ কে এস টি এনা ও এস টি এ (এ) ওইনামবু সেট ২-১ (১৫-১১, ১১-১৫, ১৫-১১)দা মায়থিবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা অহুমশুবা মফমদা ও এস টি এ (বি)না ওইবা ঙমখি।

টিম মরিনা শরুক য়াদুনা শান্নখিবা লীগ অসিগী মেটচশিংদা এ কে এস টি এনা ও এস টি এ (বি)বু সেট ২-০ (১৫-১২, ১৫-১৩), এ কে এস টি এনা ও এস টি এ (এ)বু সেট ২-০ (১৫-৯, ১৫-১০), এ কে এস টি এনা ও এস টি এ (সি)বু সেট ২-০ (১৫-৬, ১৫-১০)দা, ও এস টি এ (এ)না ও এস টি এ (বি)বু সেট ২-০ (১৫-৫, ১৭-১৫), ও এস টি এ (এ)না ও এস টি এ (সি)বু সেট ২-০ (১৫-৯, ১৭-১৫)দা অমসুং অরোয়বা লীগ মেটচতা ও এস টি এ (বি)না ও এস টি এ (সি)বু সেট ৯-১৫, ১৫-৯, ১৫-১২)দা মায়থিবা পীরমখি।

# য়ু-১৩ গালর্স অস্মিতা সিটি ফুটবোল লীগ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (এস এন এস)ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শীন্দুনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১দগী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোংদা টিম ৮না শরুক য়াদুনা অন্দর-১৩ গলার্স অস্মিতা সিটি ফুটবোল লীগ ২০২৬-২৭ পাঙথোক্লগনি হায়না অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অন্দর-১৩ গলার্স অস্মিতা সিটি ফুটবোল লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি য়ুঠ ৱেলফিয়র ক্লব (ৱাই দব্লিউ সি) থম্বালখোং, আই সি এস এ ইরেংবম, মণিপুর য়ুনাইটেদ এফ এ (মুফা), ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ই এস য়ু), কাঙচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসন (ক্রিপ্সা), সোসিয়েল স্পোর্টিং ক্লব (এস এস সি), দি য়ং ৱেলফিয়র ক্লব (ৱাই দব্লিউ সি) লংথবাল অমসুং এফ সি ইম্ফালনি।

ফুটবোল লীগ অসিগী ওপনিং মেটচ ওইনা সেপ্টেম্বর ১দা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোং অমসুং আই সি এস এনা শান্নদুনা হৌদোক্লবা মতুং সেপ্টেম্বর ৪দা ফাইনেল শান্নগনি।

# ২০৩৬ ওলেম্পিক্সকী মীৎয়েং থমদুনা চহী ৫দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী টেলেন্ত হন্ত পাঙথোক্লগনি







ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ২০৩৬তা লৈবাক অসিদা ওলেম্পিক্স পাঙথোক্লবা থল্লিবা অসিদা মপাঙ্গল কনবা টিম অমা শেমগৎনবগী পান্দমদা মশাগী চহী ৫দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী ওইবা টেলেন্ত হন্ত অমা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা থা অসিগী ২৭তা পাঙথোকপা খেলো ইন্দিয়া দাইলোগকী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, টেলেন্ত খঙদোকপগী থবক অসি অঙাংশিংনা চহী নৌরিঙৈ মতমদা মশাগী লৈরিবা ইন্টরেষ্ট অমদি ফিজিকেলদা য়ূম্ফম ওইদুনা করি করম্বা মশান্নদা শান্নবনা হেন্না মায় পাক্কনি হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনবা মথৌ তায়। হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মথৌ তাবা তেংবাং খুদিংমক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি থা অসিগী ১৫দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্টেন্দস দেগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা মালেমগী ওইনা চাউর চাউরবা গেম কয়া য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ঙম্বগী মপাঙ্গল অদু ঙসিদি লৈবাক অসিবু খঙনবা হৌনরক্লে। হায়রিবা চাউরবা গেম কয়া অসিদা লৈবাক অসিগী মৈহৌরোলদগী শান্ন-খোৎনবগী লমদা খুমাং য়াঙশিনবা চঙশিন্দুনা লাকখিবা অদু মালেমগী মীয়ামদা মায় পাক্লা শান্নদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ উরোং পুরক্লবা হোৎনবা মথৌ তায়।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা সিটি, স্কুল, খুঙ্গং কয়াদা লৈরিবা ইনখৎলল্লিবা অঙাংশিংবু মতমগা চুন্নবা ত্রেনিং পীদুনা ৱার্ল্ড ক্লাস এঠলেট শেমগৎ শাগৎনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলগনি।

নরেন্দ্র মোদিনা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ওইনা শান্নবগী লমদা খ্বাইদগী অচৌবা গেমস অমা ওইরিবা ওলেম্পিক অসিদা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন ৪০দা য়ূম্ফম ওইরগা মশান্না কয়া শান্নরি অদুবু হায়রিবা মশিং য়াম্লবা মশান্নশিং অসিগী চাদা ৩ থোকপগী ২ ফাওবা ইন্দিয়ানা শরুক য়াদুনা অথোয় অহেন তান্নবা ফাওবা ঙমদনা লৈরি। লাক্কদৌরিবা ২০৩৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমস অসিদা চাদা ৪ থোকপগী ৩ য়ৌনা মশান্না কয়াদা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনা শরুক য়ানবগী পান্দমদা লৈবাক শিনবা থুংনা মশাগী চহী ৫দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী ওইবা টেলেন্ত হন্ত অমা পাঙথোক্লগনি।

টেলেন্ত হন্ত অসিদা খনগৎলবা ইনখৎলল্লিবা শান্নরোই কয়াবু অখন্নবা ত্রেনিং পীদুনা ৱার্ল্ড ক্লাস এঠলেট অমা ওইনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থৌরাং তৌরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক শিনবা থুংনা চঙশিল্লিবা খেলো ইন্দিয়া অমদি টার্গেট ওলেম্পিক পোদিয়ম স্কিমশিং অসিসু লৈবাক শিনবা থুংনা টেলেন্ত হন্ত পাঙথোক্লবগী থৌরম অসিগী মনুং চন্না পাঙথোকপা স্কিমশিংনি হায়রি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোচিং, স্পোর্টস সাইন্স, ত্রেনিং, ন্যুট্রিসন অমদি ইনফ্রাষ্ট্রক্সচরগী লমদা অহেনবা ইনভেষ্টমেন্ট তৌনবগী থৌরাংসু তৌরি।

লাক্কদৌরিবা ২০৩০দা অহামদবাদতা কম্মনৱেল্থ গেমসসু পাঙথোক্কদৌরি। অসিদা নত্তনা ২০৩৬দা লৈবাক অসিনা য়ূম্বু ওইদুনা ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্লবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ২০৩৬ ওলেম্পিক গেমস ইন্দিয়ানা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্লবগীদমক বিদ য়াওবগী ৱাফম লৈত্রবসু লোঙ টার্ম প্রোজেক্ট ওইনা লৈবাক অসিগী এঠলেটশিংবু ৱার্ল্ড ক্লাস শান্নরোইশিংগা কম্পিট তৌনবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। হৌখিবা থা অসিগী ২০দা স্পোর্টস মিনিষ্টর মান্সুক মান্দিবিয়ানা চিয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ৬৩শুবা গভর্ণিং বোদিগী মীফমদা লৈবাক অসিনা য়ূম্বু ওইদুনা ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্লিঙৈ লাক্লিবা চহী ১০ অসিদা লৈবাক অসিদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা মায় পাক্লা চঙশিনবগী পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎলি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

# ইন্দিয়াগী নুপা সেনিয়র ফুটবোল টিম পনামাগা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ সেপ্টেম্বরদা শান্নগদৌরি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপা সেনিয়র ফুটবোল টিমনা ফিফা মেন্স ইন্টরনেসনেল মেটচ ৱিন্দোগী মনুং চন্না চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২৬তা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পনামাগা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নগদৌরি।

শান্নগদবা মফমদি হৌজিক্কী ওইনদি লাউথোকপা লৈত্রে। ইন্দিয়া অমদি পনামানা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিনা অহানবা ওইবগা লোয়ননা ইন্দিয়াী পুৱারীদা কোন-কাকেফকী তোঙানবা লৈবাক অমগা শান্নগদবা মেটচ অসিনা ৯লক শুবনি। হৌজিক ফিফা রেঙ্কিংদা মালেমগী ৪৪ শুবা মফম কল্লিবা পনামানা ইন্দিয়াবু ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়ানবগী চাংয়েং তৌনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

চহী অসিগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, কনাদা অমদি মেক্সিকোনা পুন্না য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা মেন্স ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবা পনামাগা ফ্রেন্দলি মেটচ অমা শান্নরবা মতুং ইন্দিয়ন টিমনা ওক্টোবর ৩দা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইখ্রবা ব্রাজিলগা শান্নবতা নত্তনা নবেম্বর ১২ অমদি ১৫দনা ন্যু জিলেন্দগা অতোপ্পা ফ্রেন্দলি মেটচ অনী অমগা শান্নগদৌরিবনি।

ন্যু জিলেন্দসু ফিফা মেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২৬তা শরুক য়াখিবদা রাউন্দ ওফ ৩২গী ক্কালিফাই ওইবা ঙমখিদে। পনামানা হন্দক খ্বায়দগী নৌনা পাঙথোকখিবা ফিফা মেন্স ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবদা রাউন্দ ওফ ৩২গী ক্কালিফাই ওইবা ঙমখিদে। পনামানা গ্রুপ এলগী মেটচশিংদা ঘনা, ক্রোসিয়া অমদি ইংলেন্দগী মখূৎতা মায়থীদুনা গ্রুপকী অরোয়মদা তাখিবদা নত্তনা মখোয়গী গ্রুপ মেটচ ৩দা গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়ন টিমনা হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ্তা অহানবা ইনা শরুক য়াখিবা কেপ ভর্দকা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অমা শান্নরবসু য়াই হায়না রিপোর্ট কয়ানা ফোঙদোক্লখিবনি। কেপ ভর্দনা হন্দক অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবদা রাউন্দ ওফ ৩২ ফাবা ক্কালিফাই ওইখি।

কেপ ভর্দনা মখোয়গী অহানবা ৱার্ল্ড কপ মেটচতা স্পেনগা গোল চন্নদনা দ্রো তাখ্রবা মতুং চেম্পিয়ন্স অনীরক ইখ্রবা য়ুরুগ্বেগী মায়োক্তসু গোল ২-২দা দ্রো চৎখি। কেপ ভর্দনা মখোয়গী অহুমশুবা অমসুং অরোয়বা গ্রুপ ঐচ মেটচতা সাদি অরাবিয়াগসু গোল চন্নদনা দ্রো চৎতুনা গ্রুপকী অনীশুবা মফম কনখি। কেপ ভর্দনা মখোয়গী ইহান হানবা ৱার্ল্ড কপকী নোকআওট মেটচতা লিওনেল মেসিনা লুচিংবা অর্জেন্তিনাগী মখূৎতা গোল ২-৩দা মায়থীখ্রবসু ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্স অহুল্লক ওইখ্রবা সাওঠ অমেরিকাগী টিম অদুবু অরোয়বা মীৎকুপ চোকথবা লৈতনা থেনংগনি হায়খি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com